# ৱারীমচা

## কাউঙমদ্রবা চাক্কৌবা

*অহৈবম রবীন্দ্র কুমার, ধর্ম্ম নগর, ট্রিপুরা*

মথক্তগী করিগুম্বা পোৎশক অমা তারকপগী য়াক্লবা মখোল অমনা ঐহাক খংপ্রেক খংনা মীৎকপ থোক্লককই। ঐহাক মীৎ পাঙথোরকপদা উরে মদুদি ওজা কান্তনা মাগী চনদন থিনবদা শীজিন্নবা ঈশিংগী গ্লাসতু মখাদগী খূনগৎলগা চৌক্রিদা থম্বা হোৎনরল্লি। ঐ ফমুংদা হীপ্না হীপ্না উরক্লে, চন্দন খাউদুদগী চন্দন লৌথোক্লগা অমুক মরাইবক্তা চন্দন থিনবা হৌরক্লে।

ঐনা হীপ্না হীপ্না হংই, "ওজা, ঙসিদি ঙন্না লোইশিনবিরম্লে। কদোমদা লেঙথোকপিদৌরিগে?"

ওজা কান্তনা চন্দন থিন্না থিন্না তপ্না খুম্লকই, "ঙসাই ওজা কুমারনা ঐখোয়নী, ঙসিদি মাগীদা চাক চামিন্নসি হায়না ফোন্দা হায়রকপা। অদুগী চৎনবা শেম শাবা অমুক হৌবনিদা।"

ওজা কান্তগী ৱাদু তাবদা ঐ ফমুংদগী তপ্না তপ্না হৌগৎলি। হৌজিক খরদি ঙনমল্লিবা মাল্লি। অদুবু ওজা কান্তনা লোইশিনবা উবসিদা ঐহাকসু ওজাগী তুং ইন্না লোইশিল্লগে খল্লে।

ঐহাক খোঙলৈ থুনা অয়ূক্কী তৌগদবশিং শৎ শৎ তৌথোক্লগা ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলগী মখাদা কূমথদুনা তল অমগা চা গ্লাস অমগা লৈরগা চারে। ওজা কান্তদি করি'মত্তা চানীংদ্রে হায়দুনা মখাদা কূম্লুসি হায়বা য়াদদুনা অদুম হোটেলগী কাদা লৈহৌরবনি। মাগীদু হোরেল য়াম্না চাবা য়ানবা তৌরিব্রা খঙদ্রে।

ঐখোয়না লৈরিবা হোটেলসিদগী ওজা কুমারগী সঙ্গাই অদু পঙলাপ লাপ্না নত্তে। খোঙনা সুম চৎপদা মিনিট তরারোমদং চঙগদবা ৱার্কিং দিষ্টেন্সনি। হৌজিক চাক চাবা চৎকদবা মতমসু খরা ৱাৎলি। অদুনা ঐখোয় ঙাইহাক ৱারী ৱাতায় শাখিসি হায়দুনা জাৎ জাৎকী ৱারী কদায় কদায়দগীনো কোখোক্লরগা শারি।

অকক্লবা মতম অমা থমদবনিনা চাক চাবা চৎপসিসু য়াম্না খন্ননীংঙাই অমা অদুম ওই। মরমদি চাক কৌরিবা য়ূম্বুদুনা চাক ঈশিং লোইশিল্লগা ঙাইদুনা লৈরগা, চাক চারুগদৌরিবা ঐখোয়না খরা থেঙনা চৎলসু লেম্লিংঙাই অদুম ওইদে। অদুগা অমরোমদা, মাঙজৌনন্না চৎলবসু য়ূম্বুদুনা, মানা শীল লাঙলিবদু থেঙমল্লব্রা হায়দুনা ঈফিং ফিংনা হোৎনবগী মওং অমসু উগনি। অদুবু থেঙনা চৎপদগীদি খরা মাঙজৌনন্না চৎপনা খরদি ফৈ খন্দুনা ঐখোয় অনী চৎনবগী থৌরাং তৌরে।

তাঞ্জাসিদা মোবাইল ফোনদা রিং অমা লাকই। ওজা কুমারগীনি। পায়খৎলুবদা হায়রকই, "ওজাখোয় লাক্লবা গারী অমা থাজরক্কে। ঙাইহাক্তং পোত্থাদুনা অদুম লৈবিরম্মু।"

"হোয়, অদুদি সুম লৈজরল্লগে।"

ফোনসি লাকপদগীদি ঐখোয় অনী অমুক খরা তপথদবা য়াদ্রে। অদুনা ৱারী ৱাতায় শাদুনা অমুক লৈথরে।

ঐহাক্লা ৱারী অমা হৌদোকই অদুবু ওজা কান্তদি ঐগী ৱারীদুদা কয়া মপূক্লীং চঙদবা মাল্লি। মাগী মওংদু চাক য়াম্না লাল্লকপগী মওংনি। ঙসাই ব্রেক ফাষ্ট লৌমিন্নরুসি হায়বদা মানা য়াখিদবনিনা ঐঙোন্দা মচীন্না থোক্লা হৌজিক অমুক চাক লাম্লে হায়বদু হায়দোকপা ঙমদবগীনি হায়বা ঐ খঙলে। অদুবু ঐসু মানা ইকায়গদবদু উদুনা খঙলসু খঙশিন্নদবা শাদুনা অদুম লৈরে। মানা থোকপা অমা ঙাঙলগা ঘরীদা পঙয়েংদা য়েংই। মফমসিদা ঙাইহাক্তং ফাওবা পন্থনীংদবগী মওংনি। ঐদি অয়ূক্তা খরা লৌজখিবনিনা থোইনা লামদ্রি।

ওজা কান্ত মবুক্তু লোন্না, তোয়না তোয়না, ফনা কুইনা নাল্লম্লবা তুংদা মিনরেল ৱাতরগী বোটলদু থাঙ্গৎ–থাঙ্গৎতুনা অহুম মরিরক শুরক্লে থক্লিবা। মাগী মওংদুদা মখাদা কূমথরগা তল চা লৌরুগে হায়রসু হৌজিক্তি মতম হেল্লবনিনা ফংলরোই।

অয়ূক্কী পূং ১১ তাশিল্লক্লে। অদুবু ওজা কুমারনা থারক্লে হায়বা গারীদুদি হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্ত্রি।

ওজা কান্তগী মওংদু য়েংবা ঙমশিল্লক্তবদগী ঐগী মোবাইল ফোন্দগী ওজা কুমারদা তৌই।

"ওজা, গারী হায়দু খুদোং চারোইদৌবা লৈরগসু, থাবিরক্ত্রসু য়ারনি। ঐখোয় খোঙনা অদুম লাকচরগে।"

"নত্তে, নত্তে। ঐ শূকশোয় শোয়দনা গারী থাজরক্লে। য়াল্লবদা মিনিট ১৫ রোমদদি অদুম পোত্থাদুনা লৈবিরমখো।"

ফোন থম্লে। মাগী ৱাদুদা ঐখোয়নি করিসু তৌবা ঙমদ্রে। ওজা কান্তদি লাম্বনা য়ারক্ত্রবরা করিনো মবূক পায়রম্বদগী মকোক অমুক পায়রক্লে। চাক্লাই হৌদুনা কোক ঙাওবগী মীৎ তন্দন পাইবা হায়বদুরা করিনো খঙদে।

ঐ তৌফম খঙদনা, মানা ঙরাং পীরম্বা ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক্তু পাবা হৌই। পারিবা ৱারীদু নুংঙাইদুনা মথং মথং পারুরবা তুংদা ঘরী য়েংলুই। ঙসাই ওজা কুমারনা মিনিট ১৫ হায়রকপদু পূং অমরোমদুম হেল্লম্লে। ওজা কান্তদা য়েংশিল্লবদা মহাক ফমুংদা লোংনা হীপ্লগা লৈরম্লে। মমায়দু থাউজুম কাবা উই। খঙলে, মসে চাক লাম্বগীনি।

ঐনা গারীদু হৌজিক ফাওবা লাক্ত্রি হায়দুনা ওজা কুমারদা ফোন তৌগে তৌবদা মাগী ফোন্দু স্বিটচ ওফতা লৈখ্রে। কৈদৌরবজাৎনো!

ঐ তৌফম খঙদনা লৈরিঙৈদা ওজা কান্তা ফমুংদগী হৌগৎলগা ঈশিং য়াউম অচৌবা অমা অমুক থক্লি। খূদাং ঘরীদু থাঙ্গৎতুনা য়েংলগা শাউরংননা হায়রকই, "হৌজিক নুংথিলগী পূং ১ তাদৌরফাওবদা...। খোঙনা হেক্তা চৎলসি। ঐখোয়বু খোঙ পান্দ্রবদৌনা।"

ওজা কান্তা থোঙলোমদা থোকখ্রবদা ঐসু পারিবা লাইরিক্তু খুমজিল্লগা অদুম মতূং ইন্নরক্লে।

লম্বীদা লাকপদা ওজা কান্তা, হান্না মাঙ থারল্লবসু খরা চৎলগদি তুংলোমদা হেক্তা লৈহৌই। চাক লাম্বনা মখোঙ থাংবা ঙম্লক্তবা ওইরম্বা য়াই। মশাদু খরগা পাবনে, হাইরং হাইরংলে। মদু খঙদুনা ঐনা মখূৎ শল্লগা পুরে।

ফনা ৱানা চৎলবা তুংদা উচিন নাচিন্না ওজা কুমারগী থোঙ্গাল য়ৌরে। অদুবু থোঙ্গাল লোল্লল্লি।

থোঙ্গালগা য়াম্না নক্লনা পান দুকান ফল্লিবী নুপীদুদা হংলুবদা নুপীদুনা খুম্লকই, "মখোয় ইমুং মনুং পূম্বা মখোয়গী গারীদুদা ঙাইহাক্কী মমাঙদা পুল্লপ চৎখ্রবনি। মোইরাংলোমদা কোয়রুনি হায়রম্বনি। থোঙ্গাল শো লোল্লম্বদায়নে?"

ঐ পিং লাউরকই। য়োৎকী গেৎতুদা মুন্না য়েংশিল্লুবদা ওজা কান্তা চাক লাম্বনা লেপ্না ঙমদদুনা গেৎতা ঙাথরগা লেপ্লিবদু উই। মাগী মথক্তা চে অঙৌবা অমা ইহন হন্না থেৎলিবদুদা নোনখৎতুনা য়েংলুবদা ইরল্লি,

**'এপ্রিল তাং ১, এপ্রিল ফুল'**

## তাবুনুংদগী

*ইম্ফাল ময়োন্দা ইম্ফাল নোংচুপকা ইম্ফাল নোংপোক্কা শম্নহন্দুনা ইম্ফাল তুরেল মথক্তা শারিবা ঙসিগী ফজরবা সঞ্জেন্থোং অসি করম্না মীংথোনখিবা অমদি করম্না শাখিবা হায়বগী মতাংদা ''তোরৈরোল লম্বুব' দা ইরম্বা ৱারোল ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি*

***সঞ্জেন্থোং ঃ*** মোংবা মদাইমদি, খাবা সঞ্জেন্থোং–ও কৌবদি, খাবা সঞ্জেনবগা, ঙানবা নহা সনঙাকপগনা, শিংনাংনা থোংখোঙ ওই, খিকলোইনা থোংপাক ওইনা থোংসাইএ, খাবা সোকচ্রোংবা কংলৈ লৈবাক মপানা, পামেলনা থোংখোঙ ওই, তম্মু চানেৎনা থোংসাইএ, পামেলনা থোংখোঙ ওই, অমু চানেৎনা থোংসাইএ খাবা সনসেন থোংও কৌএ। *(তোরৈরোল লম্বুবা)*

## মণিপুরী পাৎহে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ওইদবনা অওইবা শাবা ওইবা য়ারোই।**
  – অরানবনা অচুম্বা শকপা কৈদৌনুংদা মায় পাক্লোই।
* **ওইজবা থিবনা কোন্নবা কোন্নদবা মশক মুন্না খঙই।**
  – মশাগী কান্নবা–কান্নদবা মশক খঙবা।
* **ওমর মতূং হুম্নি কোনবা।**
  – য়াম্না থেংথনা।
* **ওক তানা থাবদু মঙায়বা (ওক্তা তেন্না থাবা)**
  – অশাওবদা হেন্না শাওনবা তৌবা।
* **ওক চাকচা য়েন য়াহিপ।**
  – য়াহিপ চাকচা–য়ুথক মচু তাদবা।
* **ও–খোংনা কপ্পা।**
  – থৱায় চাক্লা নুংঙাইতনা খোঞ্জেল হৌনা কপ্পা।
* **ওকচিন্দা পাম্থাবা যণজিন্দা লৌউবা (ওক্লমদা পান থাবা যণলমদা লৌ লিংবা)**
  – মহয় চারোইদবা থবক্কী খুৎতৌ।
* **ওক্লা নিল্লগা লমহুইনা মনা থাই।**
  – অপঙবনা ৱানা শুরগা অশিংবনা থবক শূদনা মহয় চাবা।
* **ওক্লা থী চাবদু মঙায়রে।**
  – চাকচা য়ুথক ফজদবা, লুদবা।
* **ওক্লে পেল্লে (ওক্লে খারে)।**
  – পামদ্রে খীরে।
* **ওক্তবা মপানা ওক্তবা মচা ৱারকপা ৱাই।**
  – মপা ফৎত্রবদি মচাসু তম্লকই, ৱারকপা ঙমদে।
* **ওতি পাতি তৌবা।**
  – ওইদবা ঙাঙবা, থাজনিংঙাই ওইদবা।
* **ওক্তবীগী লীচৎ ওক্তবনা খঙই।**
  – হূরানবনা হূরানবগী লমচৎ খঙবগুম্মী।
  – ওক্তবা ওক্তবীদি লীচৎ ইখঙ খঙনৈ।
* **ওক্তবী পান্নবা।**
  – ওক্তবী শেন্নবা।
  – ওক্তবীগা লৌন–লৈনবা।
* **ওক্তে খঙনা খঙনা।**
  – ফত্তবা মীনি খঙনা খঙনা।
* **ওখাক–শাখাকপা থবক।**
  – অরাইবা থবক ওইদবা।
  – থবক য়াম্না য়াম্বা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

## চানক্য নিতি

– লিনগী হূনা ময়াদা লৈ, হয়িংগীনা মকোক্তা লৈ, বৃশ্চিক্কী হূনা মমৈদা অদুগা মবুক ফত্তবা মীগী হূদি মশা পূম্বদা য়াওই।

– মপুরোইবগী য়াথং য়াওদনা পূজা তৌবা, ব্রত কৎপা নুপীনা মপুরোইবগী পুন্সি তেলহল্লি, মশামকসু নরক তাই।

– দান তৌবনা, চরা চাম্মা চাম্মা হেনবনা, তীর্থ চৎপনা নুপীবু মপুরোইবগী চরনা মৃত থকপদগী শেংবা অদুক শেংদোকপিবা ঙমদে।

– খূৎকী ফজবদি খুজিনা নত্তে, দান্ননি। চন্দননা নত্তে শেংবদি, ঈরুজবননি। চাক্ত নত্তে পেনগদবদি, ইকায়খূম্নবদুদনি। মীদুগী থাক্তুনা নত্তে মুক্তি ফংগদবদি, জ্ঞাননি

– হাজামদা চৎলগা শম–কোই ককপদা, নুংদা চন্দন তৈবদা, ইশকপু ঈশিংদা য়েংবদা ইন্দ্রগুম ওইরম্লবসু লম্থুম, সন্মান মাঙই।

– তুণ্ডি চারগা ৱাখল মাঙই, বাচা চারগা পাঙ্গল–লৌশিং হেনগৎলি। নুপীনা খুদক্তা শক্তি লৌথোকখি, শঙ্গোম থক্লগা শক্তি হেনগৎলি।

– অতোপ্পগী য়াইফনবা খনবা হেক হৌরকপগা খুদোংথিবা পূম্বা মাঙখি, খোঙথাং খুদিংগী লন খুদিং ফংই।

– চাবা, তুম্বা, কিবা, য়ুম্বানবদা মীগা শাগা চপ মান্নে। ধর্ম অমসুং অতোপ্পগী ফনবা খনবা হায়বসি মীনা হেল্লি। ধর্মবু য়াওদ্রবদা শাগা মান্নে।

– চাউথোক্লবা শামুনা মনা হুমদুনা মঙোন্দা তোংলরিবা খোইমুশিংবু তাম্থোকই। মদুদা মাঙজরিবসি খোইমু নত্তে শামুনি। খোইমুদি থম্বালগী লৈকোন্দা অদুম চঙখিনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরী পাউখোং

৩১৩. মশাদি কেদনা মকোইদা কেবা?
৩১৪. মণিপুরদদি ফংদবা মণিপুর মচাশিংদা পোৎতুগী মমিং হায়রগা কৌবদদি শাউবা করিনো?
৩১৫. মকুগা মনাগদি কানবা মহয়দি চাবা য়াবা য়াদবা মউনা শিং ওইবা য়াবা করিনো?
৩১৬. নিপা অমনা মতাউদা হায় "ইতাউ নঙগী সম্বলসি খরা লিংকে" মতাউদুনা খুম্মি লিৎতি লিংলু অদুবু নরুদদি থমম্মু"–
৩১৭. চৎপদা ৱাই হায়বসি হায়দবা করিনো কনানো?
৩১৮. চানদবা উহৈ– মকুদি কান্নবা মশা মতোংদি কানদবা–
৩১৯. শোরারেনগী লৈপরেং–
৩২০. কোয়রেং করিনো?
৩২১. অচুম্বগা অরানবগা কয়াম লাপনৈ?
৩২২. কৈথেলদা মী মখল কয়া য়াম্না কাই?

***পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমায় অসিদা ফোঙদোকচগনি।***

---

***মমাঙ নোংমাইজিংগী (০৬–০১–২০১৯) পাউখোঙ ফোঙবা***

৩০৭. মীওইবগী থম্মোয় অমসুং শিংলিশিং।
৩০৮. "য়াদনা" হায়বা ৱাহৈসিনি।
৩০৯. লাংথ্রৈ নৎত্রগা নুঙ্গারৈ।
৩১০. মৈ।
৩১১. শম।
৩১২. য়ূম।

## কান্ন–ৱানি খঙজীনাবিয়ু

*** ফি–রোলদা ফাউন্টেন–পেনগী মুক চুশিনখ্রবদি?**

ফি–রোলদা ফাউন্টেন– পেনগী মুক চুশিনখ্রবদি শূদোকপিদ্রিঙৈ মমাঙদা, চুরিবা মফম অদুদা চম্প্রা মহীগা থুমগা হান্না নোইশিনবিরবা মতূংদা মহৌশাগুম শূদোকপিয়ু।

*** ফি–রোলদা বোল–পেনগী মুক চুশিনখ্রবদি?**

হৌজিক্কানসিদি ফি–রোলদা বোল–পেনগী মুক চুবা হায়বসি ঐখোয় অমসুঅমসু পংথেং–থেংনরে। অদুবু অমুক শূদোক্লবা নাইদনা ইরায়–লায়না কোকহনবিগে হায়রবদি অচুবদুদা স্পিরিট খজিক্তং তৈশীনবিয়ু।

*** ফি–রোল মচু শঙবদা চেৎশীনহনগে হায়রবদি?**

(ক) ফি–রোল মচু শঙবগী ফুৎপদা শনারৈ খরা হাপচীনবিয়ু, মচু নীংথিনা চেৎকনি।

(খ) অমুবা মচু শঙবদদি কুম–শুনু হাপ্পীয়ু (কুম–শুনু হায়বদি কোঙ্গ্রেং মকু মৈ থারগা লৌবা উৎপুনি)।

*** ফি–রোলদা মচুদি থোক্তনা চুশিল্লম্বা কোকহনবিগে হায়রবদি?**

শূদোক্লবা ফি–রোলনা কংলক্লবা মতূং, ফিদুগী মফম খরদা মচুদি থোক্তনা চুশিনবগী মওংদা লৈরম্বা থেংনবিরবদি মফম অদুদা উন মতুমনা চোৎনবা তকপীরগা ইষ্ট্রি তকথোকপিয়ু।

*** ফি–রোলদা লিপষ্টিক চুশিনখ্রবদি?**

ফি–রোলদা লিপষ্টিক চুশিনখ্রবদি পেট্রোলিয়ম জেল্লি নৎত্রগা গ্লিসরিন তৈশীনবিরগা লুম্ফুং শাবা ঈশিংদা থাদোকপিয়ু।

*** ফি–রোলদা 'ৱাতর কলর' চুশিনখ্রবদি?**

লাই য়েকপদা শীজিন্নবা ৱাতর কলরগী মচুশিং ফি–রোলদা তৈশীন–চুশিনখ্রবদি ফিদু অঈংবা ঈশিংদা তীংশীনবিরগা ইচম–চম্না থাদোকপিদুনা শূদোকপিয়ু।

*** ফি–রোলদা শঙ্গোম চুশিনখ্রবদি?**

ফি–রোলদা অচম্বা ঈশিংনা থাদোকপদা কোক্ত্রবা মওংদা শঙ্গোম চুশিনখ্রবদি লুম্ফুং শাবা ঈশিং লিটর তঙ্খায় অমগী চাংদা বোরেক্স পাউদর চামচ (চাগী) অমা য়ানশিনবিরগা শূদোক–চামথোকপিয়ু।

*** ফি–রোল শুজা কাহনবীরোই হায়রবদি?**

মরু ওইবা নোংজুথাগী মতমদা য়ূমগী উপুশিংদা থম্বা ফি–রোলশিং অয়াম্বা শুজা কাদুনা নমথীগল্লি। মদুদগী য়ারিবমখৈ (চাদা মরিফূগী চাংদা) ঙাকথোকপিগে হায়রবদি ফি–রোল থল্লিবা উপু অদুগী মচী অমা নৎত্রগা অমদা চোক মচৈ মঙা–তরা নীংথিনা পুনশিনবিরগা য়ানশিনবিয়ু।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশীং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*

## শৈরেং

### মরৈবাক নীংবা কনাবু লৈরিবগে

*– কারতিক মাইবা*

মরৈবাক নীংবা কনাবু লৈরিবগে?
ইরমদম কংলৈ লমদমগী
জুকো তম্পাক,
য়ূমথংনবনা খোপচিল্লবদা
চিন্দা পঙলাওদা লাউদুনা
য়েত্তুম মতোন্দা পকপা
লৈবাক ফাওবা পীরোই।
নখূত্তি য়াওদনা
চিন্দদি পঙলাও লাউরি,
লৈবাক নীংবা শাদুনা
কনাবু লৈরিবগে লৈবাক নীংবা?
হঙ্গৎনা য়েংখৎলুবদা মমাঙঙৈগী
উখ্রে ঐখোয়না মীওই খরা লাবন্যচন্দ্রগী
মপারি
হেরাচন্দ্র অথৌবা
নিংথৌ ওইগে খন্দবা
মরৈবাক্তবু কঞ্জনিংবা
অৱা লাম্মী তানখায়বা
মীতৈ লাম্মী হেরাচন্দ্র
মথংদা ভদ্রসিংহগী মপারি
নরসিংহ ঙৌব্রাম সাই মশুদো
মরৈবাক্কীদমক মীতৈ লাম্মী ওইখিদো
নিংথৌগী ফমবু খন্দনা
মীতৈ লাম্মী ওইখিবা,
অদুগী মতূংদা
য়াইস্কুল লাকপগী মপারি
সেঙ্গোয় সনানি
মরৈবাক্কীদমক মপাগী থৌগন তৌখিবা
অংগ্রেজি লাম্মী হাৎখিবা,
অঙাং, ওইমল্লি লান চৎকনু হায়জবা
য়াখিদবনি মহাকসু
ইমা লৈবাক্কী থৱায়না পোম্থা ওইখিবা
সেঙ্গোইসনা, নীংশিংনি ঙসিসু
হৌজিক্কী মীরোলদা
পেবম চিত্তরঞ্জন, ইরোম চনু শর্মিলা
জুন ১৮ গী সহিদ ১৮
থোরক্লো ঙসিসু
জুকো লমদম কন্নবা
খূত্তা খূৎলাই পায়রগা
ঐখোয় লৈরি খঙহন্সি।।

***ঙাক্লৌ***

### শকখঙবা মরুপ

*– নান্দৈবম অঞ্জনা দেবী*

পাউহনবীরক্লোইদবা ওইরদি
ইপাউদা,য়ওনবীগদৌবা লৈরদি
চোয়–চাং
নঙোন্দা থুংলরিবা পাউজেলশিংদো,
করিগী শকফোঙবীরক্লি
হে শকখঙদ্রিবা মরুপ
খোর্জৈ মরুপকী কলমদা!

### আশা

*– বি খোমৈ*

আশা কয়াগী মঙলাননি
খঞ্জরুবা খুদিংমক
ওইজনীংই ফিল্ম ষ্টারগুম
ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার, আই এ এস ওফিসার
খল্লুবগী লোইনাইদে
আশাগী আশালক্তা
মঙলান অমদি তায়বঙলক্তা
লাইরিক লাইশু মতীক চানা
তমদুনা ওইজনীংই মীথোইবা
মিংচৎ লৈবা আশালক্তা
সংসারদা শক্লাইবা অমা
আশা কয়া কয়ানি
লোইনাইদ্রবা পুন্সিরোল
ঙসি হয়েং খেন্নগুম
ৱাখল পূক্লীং ওল্লকই
উরু উরুবা শীম্থাদা
ওইনিংবগী ওইনিংবা
মঙলান কয়ামরুম্নি
সংসার অসি ঐতগী
আশা কয়াগী মঙলাননি
তাইবঙ কয়াগী খোঙলোইনি
তম্বা ঙমদে মীওইবা
আশাগী মঙলান লোইনাইদে
তাইবঙ কয়াগী চৎন–লোনচৎ
লোইবা নাইরোই কৈদৌঙৈ।।

### ঙাইবা

*– য়াইস্না*

পামজখিবা লৈতে
অহাঙববু ঐনা
অহাঙবা ওইখিবনি
পামজবা পূম্বনা,
ঐনা য়েংলি
অহাঙবা অতিয়াদা
উচেক শঙ্গু–শঙ্গুনা পাইখি
মহাক লান্না
অদুনা ঙাইজরি
মখোয়না অমুক হল্লকপা
অহাঙবদা।।

### নীংশিংলি ঙসিসু

*– বীমোতা ওইনাম*

অহিংগী লিক্লানা মাংখিবগুম
কোরৌগী মঙালদা,
কংখ্রবসু মীৎকী পীনা
মীৎকুপ 'মগী মীনোক্তা,
কাউখ্রবসু কালেনগী মৈশা
নীংথমগী উনলেন্দা,
লুপখ্রবসু মতমগী ঈরোলনুংদা
অৱা–অনা মীকপ–মীরাওখোল,
নোংমা থম্মোয়দা ফাওখিবা
খাংঙমদ্রবা চৈনাদুমদি পূক্নীংগী
কাউগে ঙমদে ঙসিনা লৈরিমখৈ।

### য়ুগসিদা

*– এল রবিকান্ত*

শান্তি ফংদ্রবা অহিংগী লৈমায়দা
য়াতারি নিঙাইদনা অশিবগী থৱায়শিং
অদুগা নোক্লি পেন্না–পেন্না
শান্তি ফংলে খন্দুনা।।

### অঙাংবা মচুনা অমুবদা

*– আই সি অসেম*

নিংতম্বা কৌবা পুন্সিনা
হিংলম্মী অঙাং ফিজোলদা,
পাউখোঙ চল্লম্মী
মীওইবা খুন্নাইদা
থৱায় মমল হুল্লদুনা
ওমচাক্লরবা ঈচেলদা লূপশিনখি
নোংমা–নোংমগী
অমুবা ফিজোল হোংলদুনা
চৎখি মদোম ঈতিনফমদা।।

### আসা

*– রেবতি খাগেম্বম*

নঙ চৎলো
ঐগী থম্মোয়দগী লাপ্না
ঐবু অমুক থিরক্লনু
পুন্সি খোঙচৎসিদা
থিররগা ফংদ্রবদি নুংঙাইরোই,
নুংঙাইহৌগদবদি নত্তে ঐসু,
অদুবু– চৎলো নঙ অমুক লাক্লনু।।

### হনুবী অঙাওবী

*– পীটি শর্ম্মা*

মীপুম খুদিং সহরদু কীবদগী
লোৎনখ্রে লৈক্রক–উক্রোং চঙদুনা,
অদুবু শোল্লবী হনুবী অমদি
অর্থ থিরিবনি হায়দুনা
মায়কৈ খুদিং শোখরবা সহরদুগী
কোইলাস থাদ্রবা লম্বী
মচা–মচাশিংদুদা কোইচৎ চৎলি।
কিন্থরবা য়ূম্নাকশিংদা চঙলদুনা
শান্তিগী অর্থ থিরি,
সরক্তা য়াওশঙগী অবেরগুম তারিবা,
ঈখেংগী মরম,
মীপুম খুদিংগী থম্মোয়দা
থুরিবা অকিবগী–মীরাংগী মরম–মরম।
তুমিৎ–কাংফাও পাইদ্রবা সহরদুদা
শোল্লবী খোঙথাংদু থাংলদুনা
হনুবী অঙাওবীদুদি চৎলি কোইচৎ
অর্থ থিরিবনী হায়দুনা।।

### শারিঙৈদা য়ৈহৌগদৌবদো

*– ইরোম মোবি*

আই এল পি এস
মতম চানা চৎনহলহৌদবনা
অৱাবা খুদোংচাদবা মায়োক্লগদৌরে
মফম কয়াদা ইরাং থোক্লক্লে।।